# এম পি সী সীগী নৌনা জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুখ্রবা পি সরতচন্দ্রবু তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী নৌনা জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুখ্রবা পি সরতচন্দ্রবু হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।

হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা মীদিয়াদা থাদোরকখিবা ভিদিও অমদা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রবু ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দা ঙসি হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি ব্রোজেন, চীফ এদভাইজর তখেলচংবম ইবোহল শর্মা, মহিলা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মুতুম নিংঙোল থৌদাম ওংবী সুমতি য়াওনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রনা হায়, ষ্টেট অসিগী কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং কয়া পীরক্লি। লমদমসিগী মীওই কয়া অমা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপা, কয়া অমনা অশিবগী খয়াৎতা তাখিবা য়াওরে। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নুনা লৈনবা ঐখোয়না লৈঙাক অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টনা পীরিবা এস ও পিশিং অমদি চৎনা-কাঙলোন কয়া ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা চেঙ ফংহল্লিবা অসিদা নত্তনা মীয়াম্বু মশা মউ ফনা লৈহনবদা মতেং ওইনবা মচি ওইবা চিঙ্গাক্কী পোৎলম কয়াসু ফংহনবা চঙই। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা ঐখোয় পুম্বা হকচাং ফনা লৈনবগীদমক মচি ওইবা চিঙ্গাক চাবগী তঙাইফদবা লৈ। এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি অমা ওইনা মীয়ামদা মচি ওইবা চিঙ্গাকশিং নীংথিনা ফংহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

লমদম অসিদা শেঞ্জা থুমজাগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম মরু ওইনা লমদম অসিগী তুংগী যূম্বী ওইগদৌরিবা নহাশিংনা মখোয়গী মঙলান কয়া মমি শাল্লকপগুম তৌরি। মরম অসিনা লমদম অসিদগী শেঞ্জা থুমজা মাঙহননবা কোংগ্রেস পার্টিনা থাজজবা সেক্যুলরিজমগী ৱাখল্লোন, মী অমনা মী অমবু চপ মান্নবা ৱাখল্লোন্দা য়েংবা ঙম্বগী ৱাখল, থৌনা মাঙখিবশিং অদু হঞ্জিনহন্নবা পার্টি অসিগী নেসনল লিদর সোনিয়া গান্ধী অমদি ষ্টেট প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপা য়াবা থবকশিংসু পায়খৎকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি ব্রোজেননা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসি মণিপুর মীয়াম্না খম থেংনা পামদবা লৈঙাক অমা ওইরি। লৈঙাক অমবু মীয়াম্না পাল্লক্তবা হায়বসি চহী ১৫/২০ লৈঙাক পায়রক্লবা মতমদা লৈঙাক অদুগী অহোবা, অশোয়বা লৈরক্লবা মতমদনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিদি চহী ৫ মপুং ফাদ্রিঙৈদা অশোয়বা অহোবনা পীক থল্লে, হায়দোকখিবা ৱা অমত্তা ঙাক্ত্রে। খ্বাইদগী মরু ওইনা চাকথোং গ্যাস লেম্না পীরি পীরি হায়রগা গ্যাসকী মমল লেপ থুল্লে। নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ খুদিংমক্কী মমল অঙকপা ফংনা ৱাংলে। পুন্নমক অসিনা মরম ওইরগা কুম্জা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল এসেম্বলি মীখলদা মীয়াম্না বি জে পিবু পাড়া অমা তম্বীরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ‘মহৈরোয়শিংগী স্কোলরসিপ অথুবদা পীথোক্কদবনি’

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) : মহৈরোয়শিংগী স্কোলরসিপ অথুবদা পীথোক্কদবনি হায়না ওল মণিপুর মুসলিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও) না ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর মুসলিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সোফিয়া সহানিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম ও বি সী ওনলাইন স্কোলরসিপ মেনেজমেন্ট সিষ্টম (ও এস এম এস) তা এপ্লিকেসন কৌদুনা মহৈরোয়শিংদা স্কোলরসিপ পীগনি হায়না সেলেক্সন তৌরবা মহৈরোয়শিংবু কুমজা ২০১৯গী অনীশুবা ফেজ অমসুং কুমজা ২০২০গী অপূনবা ও বি সী মহৈরোয় ১৫০০০ হেনবগী য়াম্লবা শেনফম লুপা ক্রোর ১০ হেন্না পীথোক্তনা থম্লিবা অসি কদাইদা করি হীরমদা শীজিন্নথোকখ্রবগে হায়বদু অথুবা মতমদা মহৈরোয়শিংদা খঙহনবীবগা লোয়নননা ফংফম থোকপা স্কোলরসিপকী শেনফমশিং অদু মহৈরোয়শিংদা ফংহননবা হোৎনবীয়ু।

স্কোলরসিপ অসিগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট, ন্যু দেল্লীদগী শেন্থং লৌথদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতা থমজিল্লগা মহৈরোয়শিংদা য়েন্থোকপীদনা থম্বা অসি লৈঙাক্লা মহৈরোয়শিংগী রাইটস মৎপনি হায়না লৌই।

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা লাক্ত্রিঙৈদগী ও বি সী ২০১৯গী অনীশুবা ফেজগী শেনফম মহৈরোয়শিংদা ফংহন্দনা থম্লি। মদুগা লোয়ননা ২০২০গী ও বি সী মহৈরোয় অমত্তগী স্কোলরসিপকী শেনফমসু পীথোক্ত্রি। সেন্টরদগী কুমজা ২০২০দা মণিপুর লৈঙাক্তা পীরকখ্রবা শেনফমনি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্লা ২০২১গী মার্চ মমাঙদা মহৈরোয়শিংদা য়েন্থোকফম থোকপা অদু য়েন্থোক্ত্রিবা করিগীনো হংলুবদা মণিপুর লৈঙাক্কী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা স্কোলরসিপকী শেনফম অমত্তা পীরক্ত্রি হায়রকখি। মসিদা এ এম এম এস ওনা ঙক্লিবদি সেন্টরদগী মণিপুর লৈঙাক্তা পীরকখ্রবা মতুংদা করিগীদমক্তা মহৈরোয়শিংদা পীথোক্ত্রিবনো হায়বসিনি। মণিপুর লৈঙাক্লা এমপ্লোয়ী পূম্নমক্কী সেলরি পীরি। দিপার্টমেন্টশিংদা লাকপা স্কিমশিংগী শেনফমসু বেনিফিসরিশিংদা পীথোক্লি অদুগা করিগীদমক্তা মহৈরোয়শিংগী ফংফম থোকপা শেনফমশিং হৌজিক ফাওবা পীথোক্তবনো। মহৈরোয়শিংগী রাইটস মৎনবা হোৎনরকপা লৈঙাক্কী থৌওং এ এম এম এস ওনা কন্দম তৌই। অথুবা মতমদা ও বি সী মহৈরোয়শিংগী স্কোলরসিপকী শেনফম মশা মশাগী একাউন্টদা হাপ্পীগদবনি। নৎত্রবদি এ এম এম এস ওনা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# ‘শেলগী তেংবাঙ পীরকখ্রে’

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস): ভোইস ওফ ককচীং (ভি ও কে) অমসুং ভলন্টিয়রস ওফ দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোরম (ভি দি আর এফ) না ককচীং ত্রেকরস অমদি টিম হেলমেটকা লোয়ননা ইনিসিএট তৌবা কোভিদ-১৯ রেসপোন্স ফন্দ ককচীংদা নোর্থ অমেরিকান মণিপুর এসোসিএসন (এন এ এম এ) য়ু এস এনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংনবদা মতেং ওইনবা লুপা ৭২,০০০ তেংবাঙ পীরকখ্রে।

তেংবাঙ পীরকখিবা অসিগীদমক এন এ এম এগী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর লুখোই শৌগাইজমবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। এন এ এম এনা পীরকখিবা তেংবাঙ অসিনা ভলন্টিয়রশিংগী পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা খুন্নাই অসিগী তেংবাঙ মথৌ তাবশিংদা মতম চানা য়ৌহনবসু ঙম্লগনি। লোয়ননা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী পব্লিক হেল্থ ক্যের সিষ্টম ফগৎহনবদসু শোয়দনমক্কী পূক্নিং থৌগৎলগনি হায়না ভি ও কে - ভি দি আর এফ কোভিদ-১৯ রেসপোন্স ফন্দ ককচীংগী সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ূমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্টনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর ফংহল্লি



ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর ফংহল্লি হায়না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ডা. এন অমুলকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মেদিকেল প্রেক্টিস্নরশিংনা ওক্সিজেন সপোর্ট মথৌ তাই হায়না সর্টিফাই তৌরবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না হোম আইসোলেসন অমদি কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ফংহনবনি। ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর অসি ফংহনবগীদমক রেন্টেল চার্জ অমত্তা লৌরোই। অদুমকপু ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর অসি শীজিন্নরুরবা তুংদা অমুক হন্না পীখৎলকপা মতমদা সেনিটাইজেসন তৌবগী নোমিনেল ফী অমদি লৌগনি। হায়রিবা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটরশিং অসি ওপো ফোন্সনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিদা দোনেট তৌরকপনি। অকূপ্পা মরোলগীদমক নরেন্দ্র নিঙোম্বগী মোবাইল নম্বর ৭০০৫০৯৬৬৩৮, অথোকপম নবচন্দ্রগী মোবাইল নম্বর ৯৪৩৬২৮০৬১৭, ডা. নাম্ব্রম অমুলকুমারগী মোবাইল নম্বর ৯৮৫৬০৮৮৯২০, লাইশ্রম কুবের মৈতৈগী মোবাইল নম্বর ৭০০৫৪৩৫৮২৫ অমসুং মৈনম রহমনগী মোবাইল নম্বর ৯০৮৯৮৮৫৫৩৯দা পার্ড ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

# তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস): লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা এস টি মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট লাংজইগাই মনি কামৈগা লোয়ননা ওল্ড এজ হোম অমদি চিলদ্রেন হোম কয়াদা হকথেংননা চৎতুনা মৈতে চেঙ য়াওনা ফেস মাস্ক, সেনিটাইজরনচিংবা তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বাসিখোং কিতনা পনুংদা লৈবা বাসিখোং চনুরা শিনলোন লূপনা চলাইবা অহলশিংগী হোম, লুৱাংশঙবমদা লৈবা কার্মেল জোতি ওর্ফানেজ হোম অমদি কৈবিদা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা এম পি ডা. রঞ্জন অমসুং লাংজাইগাই মনি কামৈগনা হকথেংননা চৎতুনা খূৎশিন্নখিবনি। লোয়ননা ওল্ড এজ হোমশিং অমদি চিলদ্রেন হোমশিং অদুবু চলাইরিবা মীওইশিং অমদি হোমশিংদা লৈরিবা অহল-লমনশিং অমসুং অঙাংশিংদসু এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ৱারী ৱাতাই কয়া শানখি হায়রি।



HL-P/9810/15,16,17

লৌশিং পুক্কে

# কোভিশিল্ডগী কান্নবা মপুঙ ফানা ফংনবা

## অনীশুবা দোজ কাপ্পগী মতম চয়োল ৮দা হন্থহনগদবনি: ষ্টদি



কোভিশিল্ড ভেক্সিন অহানবা দোজ কাপখ্রবা মতুং অনীশুবা দোজ কাপত্রিঙৈগী মরক্তা ঙাইগদবা মতম অসি হান্না চয়োল ৬-৮ ওইরম্বদগী লৈঙাক্লা চয়োল ১২-১৬দা হেনগৎহনখ্রবা মতুংদা ভেক্সিন অসিগী দোজ অনীগী মরক্তা লৈগদবা মতমগী গেপ অদুগী মতাংদা য়েংনবা কয়া অমা লৈরক্লি। অদুমওইনমক, অনৌবা ষ্টদি অমনা কোভিশিল্ডগী অনীশুবা দোজ কাপখ্রবা মতুংদতমক কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্ট বি.১.৬১৭.২ হায়রগসু খঙনরিবা দেল্টা ভেরিয়ন্ট অসিগী মায়োক্তা ইম্ম্যুনিটি দিভেলপ তৌরকই হায়বা ৱাফম পল্লদুনা ভেক্সিন অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজগী মরক্তা খন্নগদবা মতম অসি চয়োল ৮দা অমুক তেনশিলহনগদবনি হায়না সজেষ্ট তৌখ্রে।

নেসনল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল অমসুং ইনষ্টিট্যুট ফোর জেনোমিক্স এন্দ ইন্টিগ্রেটিব বাইওলোজি, ন্যু দেল্লীদগী ফংবা ইভিদেন্সনা উৎলি মদুদি, দেল্টা ভেরিয়ন্ট অসি পোষ্ট ভেক্সিনেসন ব্রেকথ্রু ইনফেক্সনশিং (ভেক্সিনেসন মতুংদা নারকপা) দনা হেন্না তোয়না থেংনরি।

‘বি.১.৬১৭.২ অসি ভেক্সিনেসন ব্রেকথ্রুগী আউটব্রেক য়াম্না থুনা খোঙজেল য়াঙনা থোকহনবা ঙম্মী। হান্না মমাঙদা কোভিদ নাখিবা অমদি ভেক্সিনগী অহানবা দোজখক্তং কাপ্পনা মসি শন্দোকপদা অথিংবা পীবা ঙমদে হায়বসি ঐখোয়না অমুক হন্না মরুওইনা খঙগদবনি’ হায়না এন সী দি সী-আই জি আই বিনা খঙহনখ্রে।

লান্সেটনা পব্লিস তৌখিবা ষ্টদি অমনা হায়রি মদুদি, কোভিদ ভেক্সিন খুদিংমক্কী ওইনা বি.১.৬১৭.২ ভেরিয়ন্টকী মায়োক্তা ইফিকেসি কয়াম লৈবগে হায়বদু নীংথিনা খঙদ্রি, অদুগা ভেক্সিনেসন অদুদা লৈবা সেরোলোজিকেল রেস্পোন্সশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা অইনিসল এনালাইসিস তৌখ্রে।

মে ২২দা ফাইন্দিংশিং পব্লিস তৌখিবা য়ু কে ষ্টদি অদুনা থেংনখি মদুদি, ইন্দিয়াদা কোভিশিল্ড ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রবা মীওইশিং দেল্টা ভেরিয়ন্টনা থোকহনবা সিম্পটমেটিক ইনফেক্সনদগী চাদা ৩৩খক্তমক ঙাকথোকই। অদুবু ভেক্সিনগী দোজ অনীমক কাপ্পুনা মপুঙ ফানা ইম্যুনাইজ তৌরবা মীওইশিংদি চয়োল ৩গী মতুংদা দেল্টা ভেরিয়ন্টনা থোকহনবা সিম্পটমেটিক ইনফেক্সনদগী চাদা ৬০ প্রোটেক্সন উবা ফংই হায়রি।

দি টেলিগ্রাফকী মতুংইন্না, ষ্টদি অদুনা হায়লাইট তৌরি মদুদি, হায়রিবা চাং অসি দব্লিয়ু ঐচ ওনা প্রিস্ক্রাইব তৌখিবা অমদি ইন্দিয়ন রেগ্যুলেটরি ওথোরিটিশিংনা এদোপ তৌখিবা অহানবা দোজ কাপ্লবা মতুংদা ৫০% ইফিকেসি ফংগনি হায়বা অদুদগী হন্থরিবনি।

ইন্দিয়াদা কোভিশিল্ড হায়না খঙনরিবা এষ্ট্রাজেনেকা-ওক্সফর্দ ভেক্সিন অসি কাপ্লিবা য়ু কেদদি হায়রিবা ভেক্সিনগী দোজ অনীগী মরক্তা খন্নগদবা মতম অদু চয়োল ৮দা হন্থহনখ্রে।

‘ইন্দিয়ানা ভেক্সিনগী দোজ অনীগী মরক্তা লৈরিবা মতম অসি তেনশিন্নবা খন্নগদবনি মরমদি হায়রিবা ভেরিয়ন্ট অসি ইন্দিয়াদা পাক শন্না শন্দোক্লি হায়বসি ঐখোয়না খঙলবা ৱাফমনি’ হায়না পব্লিক হেল্থ ফাউন্দেসন ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দেল্লীগী প্রসিদেন্ট কে শ্রিনাথ রেদিনা ফোঙদোক্লি।

‘দেল্টা’ হায়রিবা ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা ম্যুটেন্ট ভাইরস অসি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ভেরিয়ন্ট ওফ কন্সর্ন (ভী ও সী)নি হায়না লাউথোকখ্রবনি। ভেরিয়ন্ট অসিনা ইন্দিয়াদা য়াম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা পাক শন্না আউটব্রেক থোকহনখ্রবনি অদুগা য়ুনাইটেদ কিংদমদা য়াম্না চেকশিন্না মোনিটর তৌরি হায়রি।

ইন্দিয়ানা চৎলিবা চহী অসিগী মে ১৩দা সিরম ইনষ্টিট্যুটনা মেনুফেকচর তৌবা কোভিশিল্ড ভেক্সিন অসিগী অহানবা দোজ কাপখ্রবা মতুংদা অনীশুবা দোজ কাপ্পবগীদমক ঙাইগদবা মতম অসি চয়োল ১২-১৬দা শাংদোকহনখিবনি। অদুমওইনমক লৈবাক অসিগী ভেক্সিন এদভাইজরশিংনা য়ু কেগীগা মান্ননা হায়রিবা মতম অসি হন্থহন্নবা হোৎনবা লৈত্রি। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ভেক্সিন দোজ গেপ অসিনা ইন্দিয়াগী পোপ্যুলেসনদা মখোয়গী অহানবা দোজ ফংহন্নবা মতম পীরি।

চৈরক অসিদা লৈঙাক্লা লাক্কদৌরিবা থা অনী-অহুম অসিদা অফংবা ইভিদেন্সশিংদা য়েংশিন্দুনা মথৌ তারবদি ভেক্সিনগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজ অনীগী মরক্তা লৈরিবা মতম অসিগী মতাংদা অমুক হন্না খন্নগনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাক্কী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# চান-থক্নবা তেংবাঙখ্রে

ককচীং, জুন ১৪ (ঐচএনএস) : ককচীং ৱাইহিরি ৱার্দ নম্বর ৩দা লৈবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা শূবা-নোম্বা চৎপা য়াদদুনা লৈরিবা মতম অসিদা কোভিদ-১৯না নাদুদা চৈথেং ফংলিবা ইমুংশিং, কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুংশিং অমসুং খরা হেন্না শেল থুমগী ফীভম ফৎত্রবা ইমুংশিং পূন্না ইমুং ৫৩দা ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ এম দি ফজুর রহিমনা চান-থক্নবা তেংবাঙখ্রে।

কোভিদ টাস্ক ফোর্স, ককচীং ৱাইহিরি ৱার্দ নম্বর ৩দা এম এল এ ফজুর রহিমনা খূৎশিন্নখিবা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু টাস্ক ফোর্সকী থৌমীশিংনা লোইনা চৎতুনা তেংবাং পোৎলমশিং অদু ঙসি য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, ককচীং ৱাইহিরি ৱার্দ নম্বর ৩ টাস্ক ফোর্সতা ককচীং ৱাইহিরি সেনাপতি লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম জয়না কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱা চৈথেং নংলবশিংদা চেঙ বেগ অমসু মতেং ওইনা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯গী চিরবা মতম অসিদা পুকচেল চাওনা মতেং পাংলকখিবা এম এল এ ফজুর রহিম অমদি টাস্ক ফোর্সতা চেঙ বেগ অমা তেংবাঙ পীরকখিবা এম জয়বুসু কোভিদ টাস্ক ফোর্স, ককচীং ৱাইহিরি ৱার্দ নম্বর ৩গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### অমোৎ-অকায় শেংদোক্লিবশিংদা কোভিদকী প্রোটেক্সন কিটস পীহন্নিংই



কোভিদকী অহানবা অমদি অনীশুবা ৱেভ অসিদা কোভিদ ৱারিয়র অমগুম ম্যুনিসিপালিটিগী মখাদা থবক তৌরিবা অমদি ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াদা অমোৎ-অকায় শেংদোক্নুনা থবক তৌরিবা মীওইশিংগীদমক্তা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা প্রোটেক্সন কিটস পীহন্নিংই। মখোয়না তৌরিবা থবকশিং অসি তৌনিংদুনা তৌখিবা নত্তে। মখোয়গীসু ফেমিলি লৈরিবনি। অকিবা কয়াবু থাদোল্লগা মখোয়গী চাকখুমগী মৈ মুৎতনবা হোৎনরিবা ঙাক্তনি। কোভিদ-১৯গী ফর্ষ্ট ৱেভতা প্রোটেক্সন কিটস মরাং কায়না লৈতবা অমদি শীজিন্নদবনা মরম ওইরগা মখোয়গী মরক্তা মীওই খরদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবসু য়াওখ্রবনি। মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিং অসি অদুক্কী মতীক চাওই হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙবীফম থোকই। ফর্ষ্ট ৱেভতা ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা ক্বারন্টিন সেন্টর অমদি কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরশিংদা লৈবা ফত্ত-হৌদি, অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকপগী মখোয়না লৌরিবা থৌদাং শীংথানিংঙাইনি। হৌজিক-হৌজিকসু মীওইশিং অসিগী মতেংদগী ম্যুনিসিপালিটিগী এরিয়াশিং লূ-নান্না থম্বা ঙল্লিবনি অমদি অমোৎ-অকায়শিং অসিদগী ওইরকপা য়াবা লায়না-তিন্নাশিংদগীসু ঙাকথোকপা ঙল্লিবনি। লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মখোয়-মখোয়গী ফেমিলিশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি ঐখোয় পূন্নমক্না মতেং পাংফম থোকই।

❐ রেক্কি মাইব্রাম, মোইরাং বজার

### ইশা ইশানা ৱাখল তাদ্রবদি অথিংবা কয়া থম্লবসু করিমত্তা কান্নরোই



কর্ফিয়ু লৈনা-লৈনা কর্ফিয়ু লৈতবগুম লম্বী-লমজাওদা চৎলিবা মীয়াম অসিবু তশেংনমক থবক লৈবগী চৎলিব্রা? চৎতবা ইয়া য়াদবা নৎত্রগা কর্ফিয়ু হায়বসি করিনো খঙদবজাৎলা। লমদম অসিগী মীওইশিং অসি তৌবা য়াদে হায়রবদি হেন্না তৌনিংবগী ৱাখল্লোন অমা লৈবা উই। মরম চাদনা মপান থোকপীগনু হায়রবসু মফম অদুদা হেক্তা মপান থোকচিনবা, মীয়াম পূনবা য়াদে হায়রগা মীয়াম হেক্তা পূনবা, চাক চানবা, জ্বার শান্নবগী থৌওং অদুম্মক তৌরি। চাক চানবা অমদি জ্বার শান্নবশিংদদি কোভিদ লাইচৎ অসি শন্দোক্তবজাৎলা। লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎপা অসি ঐগী ফনৱা নৎত্রগা মীগী ফনৱা হায়বদু খন্থহন্নিংই। ইশা-ইশানা ৱাখল তাদ্রবদি করিমত্তা কান্নবা ফংলোই। লৈঙাক্লা অথিংবা কয়া থম্লবসু তৌররোই হায়না খল্লবদি অথিংবা অদুগী কান্নবা করিসু লৈরোই। কোরোনাদগী হেন্না শাথীবদি অসিগুম্লবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা মীওইশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অনীশুবা ৱেভতা অসুক য়াম্না অৱাবা চৈথেং ফংলিবা অসি য়েংলুরগা করিগুম্বা থর্দ ৱেভ লাক্লবদি কয়া য়াম্না অৱাবা থেংনগনি হায়বসি মীয়াম্না খন্থফম থোকই। কোভিদনা নারে খঙনা-খঙনা ইকাইবা নৎত্রগা কিবদগী লোৎশিন্দুনা লৈরবদি ইশাগী পূন্সি অমদি ইমুং-মনুংগী মীওই কয়া অৱাবা তারক্কনি হায়বসিসু মীয়াম্না খঙবীয়ু।

❐ এস কে নাওরেম, শীংজমৈ

### ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওইশিংবু নেগেটিভ ওইরবা মতুংদা হলহনবনা ফরোইদ্রা



কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদা নৎত্রগা আইসোলেসন সেন্টরদা লৈদুনা ক্বারন্টিন তৌরিবা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্ট পূন্নমক ক্বারন্টিন তৌবগী মতম শুরগা অমুক হন্না টেষ্ট তৌরবা মতুংদা নেগেটিভ ওইরে খঙলবা মতুংদা ময়ূম-ময়ূমদা হলহনবদা লৈঙাক্কী করি খূদোংচাদবা লৈবগে? নুমীৎ ১০নি শুরবনিনা কোভিদকী মহিক লৈরম্লরোই হায়রিব্রা নৎত্রগা কোভিদ টেষ্ট তৌনবগী মতম অমদি এক্সপেন্দিচর লৈতবগীরা? করিগুম্বা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী হল্লক্লবা মতুংদা পোজিটিভ অমুক ওইরম্লবদি য়ূমগী মীওইশিংদসু অৱাবা শোয়দনা তারক্কনি। টেষ্ট তৌবদা খূদোংচাদবা লৈরবসু ক্বারন্টিন সেন্টরদগী হন্নখ্রিবা মীওইশিং অদু মতম খরদা ওইরবসু তোঙান্না হোম আইসোলেসন তৌবনা চূমগনি হায়না খল্লি। হোম আইসোলেসন তৌবদা পোৎ লৈথোক-লৈশিন তৌবগী য়ূমদগী মপান থোক্লক্কনি হায়না চিংনবা লৈরবসু পুলিস নৎত্রগা ভি দি এফশিংনা লৈকাই-লৈকাইদুদা শংহল্লবদি অদুগুম্বা থৌদোক থোক্লক্কদবদগী থিংবা ঙমগনি। ঙসি-ঙসিমকসু ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোকপা অমদি মতম চানা টেষ্ট তৌথোকপীদবদগী ৱাথোক কয়া অদুম্মক লৈরি। মরম অদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অমদি লমদম অসিগী মপী-মপা ওইরিবা লুচিংবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা পূক্নিং চঙহন্নিংই।

❐ এন লৈরেন, নাচৌ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৬।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা;
ইঙাগী ৫নি পানবা।

মেষ : শাওনিংবা/পেন্দবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈগনি। ৱা য়াম্না ঙাঙদবা অমদি হোয়া ফদবনা লন মাঙদবা/মরুপ মপাং কাইনদবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ : লাইবক ফবা অমদি খন্থরগা পাংবা থবক শোয়দনা মায় পাকচবা ফংগনি। ৱাফংনবা চোপকনি, হন্থবা লোয়নবা/য়েৎনবা মাঙবা শোয়রোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল খরদি নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিথুন : থাজদনা নক্নবা/মহু চাওবনা তাথী অমদি অরোন অথুপ ঙাওথোক্তবনা ফৈ। খুৎ চাওবগী কান্নবা অমদি অমাঙবা অনিমক লৈ, মীয়াম্নদি য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : হরাওবা, ৱাখল থোকপা অমদি মীচং খোম্বগী কান্নবা ফংবা লৈগনি। অদুবু অনম তাল্লদি লন মাঙফম লাক্কদৌরি-নোল্লক্লা চৎলু। মরুপ্লসু তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশা চাওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : হকচাং নুংঙাইরমদবা নুংঙাইরনি মীকোক থোংনবা হোৎনা য়ারনি অমদি লন চংউ হায়বা লাক্লে। অঙম্বা/মরুপ্পদি ৱারৌগনি-তহা তহাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : চিংনবা অমদি অয়েৎ অপন লৈরসু পাংগে খনবা থবক্তি শোয়দনা পাংগনি। অনৌবা থৌরম পাংহৌরো কান্নগনি। নাইতোম ৱা তুপথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: মীচং হেনগৎকনি, থবক থৌরমদা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি মীয়াম্না ঈকাই খুম্নবী। মরম চাদনা অনমদি তানগনু-অঙম্বগা মুক্নবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক : হকচাং খিংগনি, য়েক্নবা ঙমগনি অমদি অকল-অথৌগী থবক্তা মায় হেন্না পাক্কনি। হেনজিন্না খুৎ চাওরুনু অঙম্বনা তাথিগনি, মৈদে চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্নিং ঈংথবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু : পূক্নিং অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি-লৌশিং চাওবা মী লোয়নরদি অৱাবা কোকচগনি। অনিংবা থবক পাংবগী মীনা থাগৎপিবদি ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর : নীংজবা থুংগনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা হেন্না মায় পাক্কনি অমদি অচুম্বনা পান্থে ওইবনা লন ফংগনি। মীৱা লৌরদি কাইনবৈ নুংঙাইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা অরুবা ৱারেপ লৌরদি কাইনবদুম নংগনি। নথক থোংবনদি চানবীগনি অমদি মরুপ মপাং লোয়নবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : ঙাঙ-শকপা হৈবা অমদি অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নরদি লুনা থমজবা লন ময়েং তাগনি। অফবা মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থাগৎপি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।